

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, FRIDAY, DECEMBER 15, 2017 **PAGE 7**




*ফিফা কপ ৱার্ল্ড কপ ফ্রেন্দলি মেটচ অমদা অল ঝাজিরাবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীবদা মায় পাকপগী পাঞ্জল চনখিবা রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোই জেরেথ বেল্ট*

*ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা লৈবাক অসিগী সিটি পর্থতা শান্নরিবা অহুমশুবা টেষ্ট মেটচকী অহৌবা নুমিৎতা ইংলেন্দগী মায়কৈদগী অহানবা সেঞ্চুরি লৌদুনা ফজবা ঙমখ্রবা দাৱিদ মালান*

## ইন্দিয়াগী নুপীগী বেদমিন্টন শান্নরোই পি ভি সিন্ধু দুবাই সুপর সেরিজগী সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে, স্রিকান্থ লৈহৌরে

*দুবাই, দিসেম্বর ১৪ঃ*

চৎলিবা চহী ২০১৭ কী লোইশিল্লকপদা পাঙথোকপা বেদমিন্টন মশান্নগী সুপর সেরিজ টুর্নামেন্টশিংদা মকোক থোংবা নুপা অমসুং নুপী শান্নরোই ৮ গী ওইবা ফাইনেলসতা ইন্দিয়াগী নুপীগী সিঙ্গলস শান্নরোই পি ভি সিন্ধু ঙসি মহাক্কী অনীশুবা গ্রুপ মেটচ মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে। অদুবু নুপাগী কাঙলুপ্তা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী কিদম্বি স্রিকান্থ মেটচ অনী শান্নবদা অনীমক মায়থিদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা য়াবগী খুদোংচাবা অদু লৈখিদ্রে।



*দুবাই সুপর সেরিজ ফাইনেলসকী সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রবী ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু*

ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা দুবাই সুপর সেরিজ ফাইনেলসকী ঙরাং শান্নখিবা গ্রুপ (এ) গী অহানবা সিঙ্গলস মেটচতা চাইনাগী হি বিং জিয়াওবু ২১–১১, ১৬–২১, ২১–১৮ দা মায়থিবা পীরবা মতুং ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ অদুগী অনীশুবা সিঙ্গলস মেটচতা জপানগী শান্নরোই সায়াকা সাটোবু ২১–১৩, ২১–১২ দা থোইদুনা মেটচ অনী শান্নবদা অনীমক মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

সিন্ধুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবা মতুং হয়েং গ্রুপ অদুগী অরোইবা মেটচতা জপানগী অতোপ্পা শান্নরোই অকানে য়ামাগুচিগা লম্বা তৌন্নগদৌরি। গ্রপ অদুগী ওইনা ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা মেটচ অনী শান্নবদা অনীমক মায় পাক্লবসু হয়েং লম্বা তৌনগদৌরিবা জপানগী অকানে য়ামাগুচিসু মেটচ অনী মায় পাক্তুনা লাক্লবসু পোইন্ট হেন্দুনা লৈরি।

চথরিবা দুবাই সুপর সেরিজ ফাইনেলসকী নুপাগী সিঙ্গলসদ কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী কিদম্বি স্রিকান্থ ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা গ্রুপ (বি) গী মেটচ অমদা চাইনিজ তাইপৈগী শান্নরোই চৌ টিয়েন চেনগী মখুত্তা ২১–১৮, ২১–১৮ দা মায়থিবা নংখি।

নীংশিংবা য়াবদি নুপাগী সিঙ্গলসকী গ্রুপ (বি) গী ঙরাং শান্নখিবা অহৌবা মেটচতা ইন্দিয়াগী শান্নরোই কিদম্বি স্রিকান্থ দেনমার্ককী ভিক্তর এজেলসেনগী মখুত্তা ২১–১৩, ২১–১৭ দা মায়থিদুনা মেটচ অনী থংন–থংননা মায়থিখিবদগী সুপর সেরিজ ফাইনেলস অসিগী সেমি ফাইনেল য়ৌবগী খুদোংচাবা অদু লোইশিনখি।

নুপাগী গ্রুপ (বি) গী অতোপ্পা মেটচ অমদা ঙসি ৱার্ল্ড নম্বর দেনমার্ককী ভিক্তর এজেলসেনবু চাইনাগী সি য়ুকিনা য়াম্না অকনবা লম্বা অমদা পুং ১ গা মিনট ১৩ চঙনা শান্নরগা ১৩–২১, ২১–১৮, ২১–১৭ দা থোইদুনা গ্রুপ অদুদা মেটচ ২ শান্নবদা অনীমক মায় পাক্তুনা খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোই ওইরি।

মমাঙদা সি য়ুকিনা চাইনিজ তাইপৈগী শান্নরোই চৌ টিয়েন চেনবু ২১–১৯, ২১–১৭ দা থোইরম্বনি। হয়েং গ্রুপ অসিগী অরোইবা মেটচতা ইন্দিয়াগী কিদম্বি স্রিকান্থনা চাইনাগী সি য়ুকিগা শান্নগনি। অদুগা ভিক্তর এজেলসেননা চৌ টিয়েন চেনগা লম্বা তৌনরগনি।

## আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ৪শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা শিল্লং লাজোং অমসুং মোহন বগান পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে

*কোলকতা, দিসেম্বর ১৪ঃ*

ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা ক্লবশিংগী ওইবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিং মনুংদা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা হিরো আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি কোলকতাদা লৈবা ভিবেকানন্দ য়ুব ভারতি ক্রিয়ানগন ফুটবোল ষ্টেদিয়ম (সোল্ট লেক ফুটবোল ষ্টেদিয়ম) দা য়ুম্বু টিম মোহন বগান অমসুং মেঘালয়াগী ক্লব শিল্লং লাজোংনা শান্নখিবা ৪শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অদু পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে।



*শিল্লং লাজোং অমসুং মোহন বগাননা শান্নখিবা আই লীগকী মেটচতা বোল মুন্নখিবা*

ঙসি মোহন বগান অমসুং শিল্লং লাজোংনা শান্নখিবা মেটচ অদুদা মোহন বগান মায় পাক্লম্বা তারবদি লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মিনর্ভা পঞ্জাবকা পোইন্ট মান্নরবসু গোল দিফরেন্সতা হেল্লগা মকোক ওইবা ঙম্লগবনি।

অমরোমদা মোহন বগানগী লম্বা ওইখিবা মেঘালয়াগী ক্লব শিল্লং লাজোংনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদু মায় পাক্লবা তারবদি হিরো আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরম্বা য়াবগী খুদোংচাবা লৈখি।

মোহন বগান অমসুং শিল্লং লাজোংনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদা য়ুম্বু টিম ওইখিবা মোহন বগাননা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি।

শান্নবগী ১২শুবা মিনটতা মোহন বগাননা চথরকখিবা এটেক অমদা শিল্লং লাজোংগী শান্নরোইশিংনা মখোয়গী পেনাল্টি এরিয়া মনুংদা ফাওল তৌরুবগীদমক মোহন বগানগী মায়কৈদা রেফরিনা পেনাল্টি অমা পীখি।

পাঞ্জল ওইবগী খুদোংচাবা চাওনা লৈখিবা পেনাল্টি কিক অদু মোহন বগানগী শান্নরোই এসিয়র দিপান্দানা কাউশিনবদা পাঞ্জল ওইখিবদগী শিল্লং লাজেংবু মোহন বগাননা পাঞ্জল ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

পাঞ্জল অমা শোথরবা শিল্লং লাজোংগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হনে দাক্লবা কন্না হোৎনখিবা অদু য়ুম্বু টিম অদুগী শান্নরোইশিংনা নিংথিনা দিফেন্সিপ ওইবা মওংদা শান্নবা ঙমখিবদগী অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখ্রবা ফাওবদা শিল্লং লাজোং পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

শান্নবগী অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদা টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নদুনা অমনাক অমগী মায়কৈদা বোল পুশিন্নদুনা অহেনবা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনদুনা লাকখি।

শান্নবগী ৭২শুবা মিনটতা শিল্লং লাজোংগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা য়ুম্বু টিম ওইখিবা মোহন বগানগী শান্নরোইশিংনা নিয়ম লান্না মখোয়গী পেনাল্টি এরিয়া মনুংদা ফাওল তৌরুবগীদমক রেফরিনা শিল্লং লজোংগী মায়কৈদা পেনাল্টি কিক অমা পীখি।

খুদোংচাবা অদু টিম অদুদা শরুক য়ারিবা সামুয়েল লালমুৱানপুইয়ানা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা শোথরম্বা পাঞ্জল অদু মান্নহনবা ঙমখি।

মখা তাবা মেটচকী লেমহৌবা মতম অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনদুনা শান্নরকখ্রবসু মখা তাবা পাঞ্জল টিম অনীগী মায়কৈদগী চনশিন্নবা ঙম্নখিদবদগী মেটচ অদু পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখি।

হিরো আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং শান্নগদবা লীগ মেটচ অমদা মণিপুরগী ফুটবোল ক্লব নেরোকা এফসিনা য়ুম্বু ওইরগা খুমন লম্পাক্তা তামিল নাদুগী ক্লব চেন্নাই সিটি এফসিগা লম্বা তৌনরগনি।

মণিপুরগী নেরোকা এফসি লীগ অসিগী মেটচ অনী শান্নখিবদা অমা মায়থিরবা মতুং মেটচ অমা মায় পাক্লগা পোইন্ট ৩ ফংলগা ৬শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙম্লি। অদুগা মখোয়গা হয়েং লম্বা তৌনগদৌরিবা চেন্নাই সিটি এফসিনা মেটচ ৩ শান্নখিবদা মেটচ ২ মায়থিরবা মতুং মেটচ ১ দ্রো চৎলগা পোইন্ট ১ ফংলগা ৮শুবা পোজিসনদা লৈরি।

## ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী মকোক থোংলিবা মেঞ্চেস্টর সিটিনা স্বান্সে সিটিবু মায়থিবা পীখ্রে, মেঞ্চেস্টর য়ুনাইটেদসু মখোয়গী মেটচ মায় পাকখি

*লন্দন, দিসেম্বর ১৪ঃ*

ইংলেন্দগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী ঙসি শান্নখিবা ১৭শুবা রাউন্দগী মেটচশিংদা লীগ অসিগী মকোক থোংদুনা লাক্লিবা মেঞ্চেস্টর সিটিনা মখোয়গী লম্বা স্বান্সে সিটিবু পাঞ্জল ৪–০ দা মায়থিবা পীখ্রে। লীগ অসিগী অনীশুবা পোজিসনদা লৈরিবা মেঞ্চেস্টর য়ুনাইটেদনা মখোয়গী মেটচতা এএফসি বোর্নমাউটপু ১–০ দা থোইখ্রে।



*মেঞ্চেস্টর সিটিগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ২ চনখিবা দেবিদ সিলভা*

মেঞ্চেস্টর সিটি অমসুং স্বান্সে সিটিনা শান্নখিবা ১৭শুবা রাউন্দগী মেটচ অদুদা মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফতা লীগ অসিগী লুচিংবা ওইরিবা সিটিগী মায়কৈদগী দেবিদ সিলভানা শান্নবগী ২৭শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি।

পাঞ্জল অদুগী মতুং টিম অদুমক্কী শান্নরোই কেবিন দি ব্রুননা শান্নবগী ৩৪শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা স্বান্সে সিটিবু ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। অহানবা হাল্ফ অদু মেঞ্চেস্টর সিটিগী পাঞ্জল অনীনা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপদা স্বান্সে সিটিগী মায়কৈদগী মখোয়গী মথক্তা মেঞ্চেস্টর সিটিনা চনখিবা পাঞ্জল অনী অদু হনে দাক্লবা ফনা কন্না হোৎনরবসু ঙমদনা লৈরিঙৈ শান্নবগী ৫২শুবা মিনটতা মেঞ্চেস্টর সিটিগী দেবিদ সিলভানা পাঞ্জল অমগা হাপচিনদুনা স্বান্সে সিটিবু পাউখুম পীবা ঙম্লোইদবা মওংদা ৩–০ দা মাঙজিল থাখি।

শান্নবা লোইগদবা মিনট ৫ দা ঙাইরবা মতমদা মেঞ্চেস্টর সিটিগী সর্জিও এগুইরোনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা স্বান্সে সিটিবু ৪–০ দা থোইরগা ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী মেটচ ১৭ শান্নবদা মেটচ অমত্তা মায়থিবা নংদনা ১৬ মায় পাক্লগা অমা দ্রো চত্তুনা পোইন্ট ৪৯ ফংলগা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী ১৭শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা লীগ টেবলদা অনীশুবদা লৈরিবা মেঞ্চেস্টর য়ুনাইটেদনা এএফসি বোর্নমাওটপু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু মেঞ্চেস্টর য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী রোমেলু লুকাকুনা শান্নবগী ২৫শুবা মিনটতা চনখি।

ইংলিস প্রেমিয়র লীগ অসিগী ১৭শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা লৈকেষ্টর সিটিনা সাউথমতনবু পাঞ্জল ৪–১ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অদু হৌবদগী হৌনা লৈকেষ্টর সিটিনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা হৌরকখি। শান্নবগী ১২শুবা মিনটতা লৈকেষ্টর সিটিগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা রিয়াদ মাহরেজনা মেটচকী অহানবাপাঞ্জল অদু চন্দুনা সাউথমতনবু ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

পাঞ্জল অমা মাঙজিল থারবা লৈকেষ্টর সিটিগী শান্নরোইশিংনা শান্নবগী ৩২শুবা মিনটতা চথরকখিবা এটেক অমদা সিনজি ওকাজাকিনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা সাউথমতনবু ২–০ দা মাঙজিল থারবা মতুং শান্নবগী ৩৮শুবা মিনটতা এন্দি কিংনা পাঞ্জল অমগা হাপচিল্লগা অহানবা হাল্ফ শান্নবা লোইশিনখিবদা মেঞ্চেস্টর য়ুনাইটেদনা ৩–০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদা টিম অনীমক লম্বা খরা মান্নরকখি। শান্নবগী ৬১শুবা মিনটতা সাউথমতনগী এটেক অমদা মায়া য়োসিদানা পাঞ্জল অমা হন্দোক্তুনা ৩–১ দা শোথদুনা লৈখি।

মখা তানা টিম অনীনা শান্নরকপদা লৈকেষ্টর সিটিনা শান্নবগী ৬৯শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোই অনীশুবা পাঞ্জল চনখিবা সিনজি ওকাজাকিনা পাঞ্জল অমা চনশিল্লবা মতুং মেটচকী লেমহৌবামতম অদুদা মখা তাবা পাঞ্জল লৈখিদবদগী মেটচ অদু লৈকেষ্টর সিটিনা সাউথমতনবু পাঞ্জল ৪–১ দা মায়থিবা পীখি।



*অর্সনেল অমসুং ৱেষ্ট হার্ম য়ুনাইটেদনা শান্নখিবা ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী মেটচ অমদা*

## ৱেষ্ট বেঙ্গলগী সুট্টর মেহুলি ঘোসনা নেসনেল সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭ দা গোল্ড মেডল ৮ ফংদুনা অনৌবা রেকোর্দ থমখ্রে

*তিরুবনন্থপুরম, দিসেম্বর ১৪ঃ*

তামিল নাদুনা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোকপা ৬১শুবা নেসনেল সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপকী ঙসি লম্বা তৌনখিবা তোঙান–তোঙানবা ইভেন্টশিংগী মনুংদা নৌনা মশান্না অসিদা মচিন তুমখৎলক্লিবা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী সুট্টর মেহুলি ঘোসনা টিম ইভেন্টতা গোল্ড ৪ ফংবগা লোয়ননা ইন্দিভিজুয়েলদা গোল্ড মেডল ৪ ফংবগা লোয়ননা পুন্না গোল্ড ৮ শুদুনা নেসনেল সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী রেকোর্দ থম্বা ঙমখ্রে।



*নেসনেল সুট্টিংদা গোল্ড মেডল ৮ ফংখিবা মেহুলি ঘোস*

নীংশিংবা য়াই হন্দক্তগা জপানগী ৱাকো সিটিদা লোইশিনখিবা এসিয়ান সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা য়ুথ কেটেগোরিদা শরুক য়াখিবা মেহুলি ঘোসনা ফজবা ঙমদুনা মথংগী চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ুথ ওলিম্পিক গেমসকীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিবনি।

তিরুবনন্থপুরমদা চথরিবা নেসনেল সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী জুনিয়র ৱুমেন্স, ৱুমেন্স সিভিলিয়ান অমসুং জুনিয়র ৱুমেন্স সিভিলিয়ান চেম্পিয়ন্সিপকী গোল্ড মেডল ৩ মহাক্কী খ্বাইদগী নক্লবা লম্বা ওইখিবী গুজরাটকী সুট্টর ইলাভেনিল ভালারিভানবু নমথদুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিনি।

মেহুলি ঘোসনা ৬১শুবা নেসনেল সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ৱুমেন্স য়ুথ ইন্দিভিজুয়েল ইভেন্টতা মধ্য প্রদেশকী সুট্টর স্রিয়া অগ্রৱালবু মায়থিবা পীদুনা অনৌবা নেসনেল রেকোর্দ অমা থম্বা ঙমখি।

মেহুলি ঘোসনা ইন্দভিজুয়েল ইভেন্ট ৪ দা ফংখিবা গোল্ড মেডল অদু থারগা হায়রিবা ইভেন্টশিং অদুগী টিম কম্পিটিসন্দসু গোল্ড লৌবা ঙমদুনা পুন্না গোল্ড মেডল ৮ লৌবা ঙমখিবনি।

তিরুবনন্থপুরমদা চথরিবা ৬১শুবা নেসনেল সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপীগী মিটর ১০ গী এয়র রাইফল ইভেন্টতা গুজরাটকী নহা ওইরিবী সুট্টর ভালারিভাননা মহাক্কী অহানবা সেনিয়র নেসনেলগী থাক্তা পাঙথোকপা সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

পনবা য়াই ভালারিভাননা মমাঙগী থাদা কেরলাগী ত্রিভান্দমদা লৈবা নেসনেল গেমস সুট্টিং রেঞ্জদা পাঙথোকখিবা নেসনেল সেলেক্সন ত্রাইয়েলদা য়াম্না ফজবা মওংদা ৱার্ল্ড রেকোর্দকী পোইন্ট অদুগা মান্নবা স্কোর তৌবা ঙমদুনা ইন্দিয়াগী অনৌবা রেকোর্দ অমা থম্বা ঙমখিবনি।

৬১শুবা নেসনেল সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা পুন্না নুপা অমসুং নুপীগী সুট্টর ৪৮০০ না শরুক য়াদুনা মকোক মথং তান্নবগী লম্বা তৌনরি।

মশাগী চহী ১৮ দা ঙাইরিবী গুজরাটকী সুট্টর ইলাভেনিল ভালারিভাননা নেসনেল চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নিনিশুবা নুমিৎতা সেনিয়র ৱুমেন্সকী মিটর ১০ গী এয়র রাইফলগী গোল্ড মেডল লৌদুনা মমাঙদা ইভেন্ট অদুদা ফজবা ঙমখিবা সুট্টর কয়া পাউখুম পীবা ঙমদনা লৈহৌবনি।

গুজরাটকী অহমেদবাদতা লৈবা গগন নারংগী গন ফোর গ্লোরি একাদেমীগী কেদেট অমা ওইরিবী ইরাভেনিল ভালারিভাননা সেনিয়রগী থাক্তা শরুক য়ারক্তুনা মমাঙগী রিও ওলিম্পিক্কতা শরুক য়ারুরবী অপুর্ভি চন্দিলাবু নমথদুনা গোল্ড মেডল অদু ফংবা ঙমখিবনি।



*নুপীগী মিটর ১০ গী এয়র রাইফলদা গোল্ড ফংখিবা ইলাভেনিল*

## নরিন্দর বত্রনা ইন্দিয়াগী ওলিম্পিক এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট ওইরগনি

*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ১৪ঃ*

ইন্দিয়ান ওলিম্পিক এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলদা ইন্টরনেসনেল হোক্কি ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা নরিন্দ্র বত্রনা ঙসি ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা মীখলদা মহাক্কী লম্বা ওইখিবা ওল ইন্দিয়া টেন্নিস এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট অনিল খানাবু মায়থিবা পীদুনা কুমজা ২০১৮–২২ ফাওবা ইন্দিয়ান ওলিম্পিক এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট ওইরগনি।

নরিন্দ্র বত্রনা অপুনবা ভোট ১৬০ লৈবগী মনুংদা ১৪৩ ফংদুনা মহাক্কী খ্বাইদগী নক্লবা লম্বা ওইখিবা অনিল খানাগী ভোট মশিং ১৩ দগী য়াম্না হেন্না ফংদুনা ইন্দিয়ান ওলিম্পিক এসোসিয়েসনগী ফম অদু নৌনা পায়গদৌরিবনি।

ইন্দিয়ান ওলিম্পিক এসোসিয়েসনগী সেনিয়র ভাইস প্রসিদেন্টকী ফম অদু আর কে আনন্দনাথৌ পুরগনি লোয়না সেক্রেটরী জেনরেলগী থৌ অদুনা রজিব মহেতানা পুরগনি।